HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

Vol. 45, Issue No. 326 | য়ুমশকৈশা, ফাইরেনগী ২২নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, February 23, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# মণিপুরদা অমুক হন্না বি জে পিগী দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক লাক্লগনি : নরেন্দ্র মোদি



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা পানখিবা লৈঙাকশিংনা লমদম অসিগী মীয়ামদা শুপ্পগী নীংবা কায়বা পীরন্বতা নত্তনা চাওখৎপগী লম্বীদগীসু য়াম্না লাপ্না নাথৈরগা থম্বীরম্মি। অদুবু হৌখিবা চহী মঙা অসিদা বি জে পিগী দবল ইঞ্জিননা মণিপুরদা চাওখৎপগী থবক থৌরম কয়া পুকচেল শেংনা পায়খৎখিবগা লোয়ননা ঈংনা-চিক্লা লৈবা লমদম অমা ওইহনবা ঙম্লে। মণিপুরদা অমুক হন্নসু দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক লাক্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লুৱাংশংবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা মল্টি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা পব্লিক রেল্লিগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংখিবা চহী ৫০ শুরবা অসিগী মনুংদা লমদম অসিগী মীয়াম্না ষ্টেট অসিদা তোঙান-তোঙানবা পার্টিনা লৈঙাক পায়খিবা অমদি চীফ মিনিষ্টর কয়া উবা ফংখ্রে অমদি মখোয়না তৌরম্বা থবকশিংসু হকথেংননা থেংনখ্রবনি। লোয়ননা লমদম অসিদা বি জে পিগী অফবা লৈঙাক অমদি লৈঙাক অসিনা তৌখিবা থবকশিংসু মীয়াম্না উরবনি। মদুনা মরম ওইরগা লাক্কদৌরিবা মতমদা মণিপুরদা চাওনা অওনবা অমা পুরকপা ঙম্লগনি। লোয়ননা মণিপুরগী নৌনা ভোটর

## বি জে পিনা এবসুল্যুট মেজোরিটি ওইহন্দুনা বি জে পি খক্তগী লৈঙাক শেমদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা তৌবিমল খঙবা উৎলসি : এন বিরেন

লিষ্টতা চন্দুনা ভোট অহানবা ওইনা থাদগদৌরিবা নহাশিংনা ভোট থাদবা মতমদা নীংশিংবিগদবদি অদোম-অদোম্না ভোট অমা থাদরম্বা হায়বসি অদোমসু অফবা লৈঙাক অমা শেম্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরবনি খঙবিগদবনি। মরম অদুনা অফবা তুংগী থবক তৌরক্কদবা লৈঙাক অমা শেম্নবা হোৎনবদা লমদম অসিগী নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা অসিগুম্বা মীহুৎ খনবগী তাঞ্জা অসিবু মাঙহনবিরোইদবনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ফংলক্কদৌরিবা মহয় অদুনা মণিপুরগী চহী ৫গী মরাইবক লেপক্কদৌরিবনি। চহী মঙা পানখিবা লৈঙাক অসি মণিপুরদা মতম পুম্বগী ওইনা লৈহন্নবা হোৎনবা য়াম্না মথৌ তাই। লমদম অসিগী নহাশিংনা কয়ারক হন্না ময়েক শেংনা তাকখ্রবনি মদুদি তশেংনা থম্মোয় শেংনবু হোৎনরবদি পুম্নমক ওইথোকপা য়াই। মদুগী ময়েক লারবা খুদম হায়রগদি লমদম অসিগী মমিং লৈরবা শান্নরোই কয়ানা মালেমগী থাক্তা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী মায় পুরকখিবা অদুনি। বি জে পি লৈঙাক্নসু ওইথোকপা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**HL Poll**

Q: Conrad Sangmana meekhal asida NPPna single largest party oigani hairibasi adom thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**


Q: Pangthokkadouriba State Assemblygi meekhal asida BJPna mapung fana karaktuna leingak semba ngamgani khanbibra?

Yes 11% No 89%

HL-B/7467/15 Feb to 16 March.




HL-B/7482/23







HL-B/7483/23